**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৪-১২-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য সরকারনা চংশিল্লকপা ৱার ওন দ্রগসকী মনুং চন্না কাংপোকপী জিলাদা একর ২২ রোমগী পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা পাকশন্না থিবা হুন্বগী থবক চথুরি, খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সমাজদা হিংশাগী থবক চথনবা হোৎনরিবশিং অসি য়ামা থমোয় কায়নিংঙাই ওইবা অমনি।

**পোপী(এল)ঃ** রাজ্য সরকারনা চংশিল্লকপা ৱার ওন দ্রগসকী মনুং চন্না কাংপোকপী জিলাদা একর ২২ রোমগী পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুবু থাগৎপা ফোঙদোরকখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী আই.তি লম্বীদা লৈবা হোলজাং খূলদগী একর ১৭ লোমগী পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখিবগা লোয়ননা কোটলেন্দদা একর ৫ রোম পাক চাউবা মফমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখিবনি। মদুদা শরুক য়াখিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সী.আর.পী.এফকী অপুনবা কাংবুবু মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অসিগুম্বা

চোকথবা লৈতনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা রাজ্য অসিদা পোপী পান্বী থাবা মরু ফংনা মুথত্তুনা দ্রগ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মংলান অদু মংফাওননবা লন্বী ওইহল্লি ।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চখ্থরি। পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলা অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্থবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শন্দংশেনবা মরিং খূল তাখিবা ঙারিয়ান চিংশাং পরেংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্থবদা ৭.৬২ এম.এমগী মেগজিন য়াওবা লাইট মেছিন গন অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল গন অমা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, আর্ম রিং অনিগা লোয়নবা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা ঙমখি হায়রি। চুরাচান্দপুর জিলাগী কৈজাং খূলদগীসু তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখি। মদুগী মনুংদা রোকেট অহুম, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মরি, পোম্পী অমগা লোয়ননা মদুদা কাপবা বোম মঙা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখি হায়রি। চুরাচান্দপুর জিলগী লৈশাং খূলদগীনা দেতোনেতর য়াওবা আই.এন.জি ৯, মিতর ৪০ রোম শাংবা কোরতেক্স য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

**ফয়র সর্ভিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা মহাবলি কবুই খূলদা লৈবা য়ুম অমা, চাখুমদগী হৌরকপা মৈনা চাক্লকপদগী অমাং অতা কয়া থোকখ্রে। ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তারকপা অদুৰাইদা থৌদোক অদু মহাবলি কবুই খূলগী দোলি মোমো হায়না খঙনবা হোতেল অদুগী মনাক্তা লৈবা ডোক্তর পৌফুলুং গাংমৈগী য়ুমদা থোকখিবনি। মহাক্কী য়ুম অদুগী অহুমশুবা

অমসুং মরিশুবা ফ্লোরদা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি হায়রি। মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ৱাতর তেন্দর অমা, ফোম তেন্দর অমা অমসুং ৱাতর বাওজর অনিগা লোয়ননা সাইমন স্নোরকেল য়াওনা পুন্না গারি ৬ না চাল্লিবা মৈ অদু মুখত্তুনা মনাক নকপদা লৈবা য়ুমশিংদা শন্দোক্কদবদগী কনবা ঙমখি।

**কছার(এল)ঃ** অসামগী কছার জিলাদা লৈবা চন্দ্রপুরদা মহারাজ গমভির সিংহ, মৈদিংঙু নর সিংহ অমদি মণিপুর লেভিগী লান্মীশিংগী মশক তাকপা মীতম ঙরাং শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদু, মহারাজ গমভির সিংহ মেমোরিয়েল চন্দ্রপুর, য়ুনাইতেদ পীপলস ফ্রন্ট, মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি হিংমিন্নসি মণিপুরনা শিন্দুনা পাংথোকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎকী মশু শুথাং নিংথেমচা সনামচা এলিয়েস আর.কে মেঘেননা হায়-মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কাইহন্নবা হোৎনরিবা অসি করিদগী হৌরকখিবনো হায়বদু কুপা খন্থবা মতম ওইরে। রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফীভম অসিদগী মরৈবাক ঙাকবা থোরক্লিবা নহাশিং অমদি খূল ঙাকপশিং অচুম্বা লম্দা মরা চেৎপা লিচিং অমগী মখাদা লুচিংলগা পুবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

**নোনেঃ** খৃষ্টমাস কুম্হৈ নোংম খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা কুম্হৈ অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শাবগী থবক নিংথিনা চত্থরি। নোনে জিলাদসু খৃষ্টমাস কুম্হৈ নোংমা ৱাৎলিঙৈগী থৌরম ধর্মগী চৎনবী অমসুং হরাও তয়ান্নবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোক্কনি। কুম্হৈ অসি মাই পাকা পাঙথোকবগীদমক মীয়ামা নিংথমথাগী অইংবা কয়া কাউথোকদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা কৈথেলশিংদা পোৎচৈ লৈবা থোকরক্লি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সমাজদা হিংশাগী থবক চত্থনবা হোৎনরিবশিং অসি য়ামা থমোয় কায়নিংঙাই ওইবা অমনি। কেথলিক বিসোপস কনফরেন্স ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা

খৃষ্টমাসকী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-অসিগুম্বা হিংশাগী থবক চত্থনবা হোৎনরবশিং নিংথিনা থেংননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জরমনিগী খৃষ্টমাস মার্কেট অমদা এট্রেক্ট চত্থখিবা অদু পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা জাতি অমদি মপাল লৈবাক্কী থৌশিল কয়াদা অহেনবা মীয়েং চংলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংবু অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়াদগী কনবা হায়বসি সরকারগী পান্দমনি। লৈবাক অসিনা কোবিদ ১৯ গী মতমদসু মালেমগী লাইরবা লৈবাক কয়াদা হিদাক লাংথকশিং লেমা পীদুনা মতেং পাংখি। লৈবাক অসিগী নহা কয়ানা হৌজিক্তী কন্না হোৎনদুনা বিক্সিট ভারত কেম্পেইন নিংথিনা মাই পাকহনগনি হায়বগী থাজবা কয়াসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক নহাশিংনা লেপকদৌরিবনি হায়খি।

**সন্তোস ট্রোফি (এল)ঃ** ৭৮ শুবা শন্তোস ট্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা য়ুম্বু তেলঙ্গনাবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে। হাইদ্রবাদকী দেকান এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মণিপুরগী মাই পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কাঙম্বম লাংঙম্বা, খূল্লাকপম জহিরখান অমদি সোরাইসম সাগরনা চনখিবনি। মণিপুরনা পুন্না মেটচ ৫ শানবদা ৩ মাই পাক্লগা অনিনা ড্রো ওইদুনা পুন্না পোইন্ট ১১ ফংখিবা লোয়ননা ক্বাতর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। ক্বাতর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা গ্রপ-বিগী অহুমশুবা পোজিসন তারকপা টিম অদুগা শান্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

গমগিফাইদা কুকি য়ু.জিশিংনা নাগাগী মহৈরোইগী লূচিংবশিং তপ তানা ফুদরক্লে, গারিসু থুগাইরক্লে। এস.এ.সীনা নাগা তাবা সেনাপতিগী লমদা কুকিশিং লৈতনবা, ফাওরগা চত্তনবা খঙহনখ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেসতনা সদসাগী লূচিংবা অহুম

কাংপোকপীদা ফুরক্লে। সেনাপতিগী নাগা লৈবা মফমদা কুকি লৈতনবা খঙহল্লি হায়না হেদলাইন পীরি। পাউ অসি-ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙবা থেংনরে, অতোপ্পা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

অসামদা ত্রেন্নিং তৌরকখিবা আই.আর.বিশিংগী পাসিং আউট পাঙথোকখ্রে। ত্রেন্নিং লোয়রবা পর্সনেলশিংনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকবা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌগবনি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা-ৱাফম অসি ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি-মণিপুর নিউজতনা অসামগী পুলিস একেদমিদা আই.আর.বিগী পী.ও.পীদা সি.এম অমসুং গভরনর শরুক য়াখ্রে। ৱাশক লৌরবা য়ুনিফোর্মদা লৈরিবশিং নেসন অসিগী লান্মী অমনি হায়না লৌগদবনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম বেনর হেনলাইন পীদুনা ফোঙলি। পোকফমদনা-আই.আর.বিদা নৌনা রিক্রুট তৌরবা মৈতৈ অমসুং কুকিশিং টিম ওইনা পুন্না পোষ্টিং পীগনি হায়না চিফ মিনিষ্টর এন.বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি-পীপলস ক্রোনিকল, দ মোর্নিং বেল, মণিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙনরি।

জে.দি.য়ুদগী বি.জে.পী ওনখ্রবা এম.এল.এ ৫গী দিসক্বালিফিকেসন কেস থা অমগী মনুংদা দিসক্বালিফিকেস কেসশিং লোয়শিনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে, জনুৱারি ২৭,২০২৫ ফাওবগী মনুংদা পাউখূম পীরক্কদবা নোতিস হায় কোর্টনা মণিপুর লেজিসলেতিভ এশেমব্লি, এশেমব্লিগী সেক্রেটরি অমসুং রেস্পোন্দেন্টশিংদা ইস্যু তৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী থোং অমা থুগাইনবা আই.ঈ.দি ৯ প্লান তৌরম্লে হায়না ফোঙলকপা থেংনরে।

পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইনদা-থাংজিং চিংদগী রোকেট য়াওনা লানগী মওংদা পৈশিন্দুনা থল্লম্বা য়াল্লবা খূৎলাই ফাগৎখ্রে, টিদ্দিম লম্বী থোং অমা আই.ঈ.দি ফুমজিন্দুনা থদৎনবা হোৎনরে হায়না ফোঙলি। মণিপুরগী ইরাং ম্যান্মারদা শাবা খূৎলাইশিং হেনগৎলক্লি হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিশুবা হেদলাইননি।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম লৈবাক্কী খন্নদনা পোলিতিকেলগী লানবুং তারগা লোয়শিনখি হায়বা হেদলাইন অসি-নহারোলগী থোদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইননি।